# নেরোকা এফসিগী অনীশুবা হোম মেটচতা গোকুলম কেরলা এফসিগা গোল ১–১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ঃ
ব্রাজিল মচা এদুর্দো ফেরিয়াগী গোলনা নেরোকা এফসিবু মায়থিগদবগী কনবা ঙমদুনা চখরিবা হিরো আই লীগ সিজন অসিগী নেরোকা এফসি গী পোইন্ট একাউন্ট হাংবা ঙমখ্রে।

ঙসি খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা আই লীগকী মেটচ অমদা য়ুম্বু নেরোকা এফসি অমদি গোকুলম কেরলা এফসি গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা টিম অনীমক্না পোইন্ট অমমম ফঙখ্রে।

মেটচ অসিদা হৌরকপদগী য়ুম্বু নেরোকা এফসিনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক্ট কয়া চথখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমখিদে। গোকুলমগী সবষ্টিট্যুট প্লেয়র ওইনা চঙলকখিবা য়ু–২২ গী শান্নরোই বি বোদানা অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৪৫ চৎপা মতমদা টিম অসিগী ফোৱার্দ রাজেস এস এন পীরকপা ফজরবা পাশিং অমদগী মেটচ অসিগী অহানবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ ফাওবদা গোল ১–০ দা লৈখি।



অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা য়ুম্বু নেরোকানা শোত্থনা লৈরিবা গোল অসিবু হন্দোক্নবা কন্না শান্নখি। নেরোকানা লেপ্পা লৈতনা চথরকখিবা এটেক্টশিং অদুগী মথৎ ফঙবা ওইনা মেটচকী মিনট ৫৯ চৎপা মতমদা নেরোকাগী জর্সি নম্বর ৮ তোন্দোম্বনা পিরকপা বোল অমদা ব্রাজিল মচা এদুর্দো ফেরিয়ানা ফঙখিবা বোল অদুবু গোলদা ওন্থোক্তুনা মেটচ অসিবু য়েংবা লাকখিবা থৱায় ৱানা লৈরম্বা য়ুম্বু টিমগী ভাবকশিংগী অৱাবা অদু খরা মখৈ কোহনখি।

মেটচ অসিদা টিম অনীমক্না গোল চন্নবা অকনবা লম্বা তৌনখি। অদুবু অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেটচ অসি দ্রো চৎতুনা টিম অনীমক্না পোইন্ট অমমম য়েন্নখি।

মেটচ অসিদা নেরোকাগী এফ চিদি অমসুং গোকুলমগী এফ ওরটিংদা রেফরিনা ফাউল তৌরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

নেরোকা এফসিনা মেটচ অসি শান্নবদা পোইন্ট অমা অমদি গোকুলম না মেটচ অসিদা পোইন্ট ২ ফঙদুনা লৈখি। নেরোকা এফসিগী অহুমশুবা মেটচ লাক্লিবা নভেম্বর থাগী তাং ৭ অৱে মেটচ ওইনা আইজোল এফসিগা শান্নরগনি।

# মীয়ামগী মতেংনা ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস ২০১৮ মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমখিবনিঃ রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ঃ
মণিপুর মীয়ামগী মতেংনা হন্দক পাঙথোকখিবা ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস ২০১৮ দা মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা গেমস অসিবু মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমখিবনি হায়না এদুকেসন মিনিষ্টর অমদি মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা টিঐচ রাধেশ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।



ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা মণিপুর ওলেম্পিক ভাবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মিনিষ্টরনা হায়–গেমস অসিবু মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমখিবা অসি মীয়ামগী মতেং অমদি সপোর্টিশিংননি। মণিপুরনা নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস অসিদা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন লৌনবা হোৎনবদা মণিপুরনা মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা শান্নরোই অমদি কোচশিংগী হোৎনজমন অদুনা টাইটল অসিবু লৌবা ঙমখিবনি।

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা শান্নরোইশিংগীদি য়াম্না মফম চাবা অমনি । মরমদি কমপ্লেক্স অসিদা মশান্না কয়াগী মতিক চারবা ফেসিলিটিশিং লৈরি। মসিমক ষ্টেট অসিগী চাউথোকচনিঙাই অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াই মদুদি ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট ওলেম্পিক গেমস ২০১৮ অসি মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৮না তোঙান তোঙানবা মশান্না ১২দা অথোই–অহেন তান্নখিবনি।




# ১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ২০১৮ এসদব্লিউসি(কে) অমদি এসএও (ককচিং) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ঃ
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দিএসএ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী শান্নবুংদা চখরিবা ১৭শুবা কেএসঐচ লৈহাও ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ টিৱাইপিএ (সোরা) অমদি এসদব্লিউসি (কে) টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা এসদব্লিউসি (কে) না টিৱাইপিএ (সোরা)বু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এসদব্লিউসি (কে) গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ টিঐচ থোইবনা শান্নবগী মিনট ১৯ অমদি ৩৯ শুবদা গোল ২, রাজনিকান্ত মেটচকী মিনট ৫৫ অমদি ৬২ শুবা মিনটতা গোল ২ চনখি।

মেটচ অসিদা সিঐচ শ্যামসননা সেন্টর রেফরি, ৱাই বিদ্যাপটিনা এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এস লিতানবালানা এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি টিঐচ দিনেশ্বরনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ ওইনা কেপিএসসি (ককচিং) অমদি এসএও (ককচিং) টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা এসএও (ককচিং) না কেপিএসসি (ককচিং) বু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এসএও (ককচিং) গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৯ অংপোলনা মেটচকী ৭৭শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা এসএওগী শান্নরোই জর্সি নম্বর ১১ রেংলোননা মেটচকী ৪৪শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টিঐচল দিনেশ্বরনা সেন্টর রেফরি, এস লিতানবালানা এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, সিঐচ শ্যামসননা এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ৱাই বিদ্যাপটিনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# দিষ্ট্রিক্ট লেভেল য়ু–১৭ বোইজ এন্দ গার্লস খো–খো অমদি কাবাদ্দি টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ঃ
স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন জিরিবাম অমদি দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস (দিৱাইএএসও), জিরিবামগা খুৎশম্নরগা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল য়ু–১৭ বোইজ এন্দ গার্লস খো খো অমদি কাবাদ্দি টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে।



লোইশিনবগী থৌরমদা অসিদা কাবাদ্দিগী নুপীগী ফাইনেল মেটচতা চম্পনাগর টিমনা ন্যু অলিপুর টিমবু পোইন্ট ৪০–২৬ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

নুপাগীদা কালিনাগর টিমনা এসএৱাইসি সোরোক অতিংবীবু পোইন্ট ৩৯–৩৮ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা রোবার্ট ক্ষেত্রিময়ুম, দিসি জিরিবাম, এম মুবী সিংহ, এসপি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টনা চিফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।




# ষ্টেট বেদন্টিমন চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ঃ
মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৩শুবা মিনি এন্দ সব–জুনিয়র ষ্টেট বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ নভেম্বর ২ দগী ৪ ফাওবা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিয়েসনগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

# অহিনা নোক আউত ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ৩১ঃ
আরএসওএম অমদি ১৪৩ বাট্টালিয়েন সিআরপিএফ না পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপা ফার্ষ্ট অহিনা নোক আউত ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা শংগ্রুং হোষ্ট টিমনা তৌবম য়ুঠ ক্লবপু গোল ২ দা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচত নভেম্বর ২দা শংগ্রুং হোষ্ট টিম অমদি লোংমাই বজার য়ুঠ ক্লব টিম অনীনা লম্বা থেংনরগনি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*